ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
Refreshingly Reliable
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজগী লম্ফেলদা লৈবা ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা লূপ অসিগী ৪৪রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম

লামায় ৫

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চনা পূন্না শীন্দুনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিনদা পাঙথোকখিবা ঈ কৎপগী কেম্প

লামায় ৫

স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসর্ছ সেন্টর প্রাইভেট লিমিটেদকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা হোস্পিটাল অসিগী ১২শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম

লামায় ৫

থা ১ চুপ্পা চথগদবা ৱর্ল্ড ব্লদ দোনরস দে ২০২০গী থৌরমগা মরী লৈননা লাইফ সেভরস মণিপুরনা তোঙান-তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংগা পুল্লগা পাঙথোকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প

লামায় ৫

Vol. 44, Issue No.092 থাংজ, ইঙেনগী ৭নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Saturday, June 27, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থংন-থংননা পেত্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎলকপা নুমীৎ ২০নি শুরে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থাউজী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা মীয়াম্না অকনবা খোল্লাউ কয়া লাউরকখ্রবসু ওইল মার্কেটিং কম্পেনিশিংনা ঙসি পেত্রোল অমদি দিজলগী মমল হেনগৎলকখ্রে।

জুন ৭তগী হৌরগা থংন-থংননা নুমীৎ ২০নি থাউজী মমল হেনগৎতুনা লাকখিবগা লোয়ননা ঙসিসু পেত্রোল লিটর অমগী মমল পৈশা ২১ হেনগৎখি। দিজলগীনা লিটরদা পৈশা ১৭ হেনগৎলে। নুমীৎ ২০ হেনগৎলক্লিবা শেনফম অসি পুনশিল্লবদি পেত্রোল লিটর অমদা হেনগৎলিবা মমল লুপা ৮.৮৭নি। দিজলগীনা লিটরদা লুপা ১০.৮০নি। নৌনা হেনগৎলবা মমল অসিগী মতুংইন্না দিল্লিদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

জুলাই ১৫ ফাওবদা সী বি এস ঈগী এগজাম হায়দোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : জুলাই ১৫ ফাওবদা সেন্ট্রেল বোদ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (সী বি এস ঈ)না লৌনা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্বকী এগজাম হায়দোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বোর্দকী ৱাৎহৌরিবা সবজেক্ট পুন্নমক কেন্সেল তৌনবগী মতাংদা সুপ্রীম কোর্টনা ঙসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মমাঙদা পাঙথোকখিবা এগজাম অমসুং ইন্টর্নেল এসেসমেন্টতা য়েংলগা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী এগজাম হায়দোক্লবা খঙহনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা কন্ট্রোলর ওফ এগজাম সন্যায়ম ভর্দৱাজনা হায়খি, ইন্টর্নেল এসেসমেন্টতা যুম্ফম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী এগজাম হায়দোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে। ক্লাস টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংনা অহেনবা মার্ক ফংনিংবগী অপাম্বা লৈরবদি অমুক হন্না এগজাম

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: Lamdamsida laothoktaba emergency chatnabagi khudam fangle hainaraklibasi yumfam yaodaba wafamni haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Political crisisna maram oiraga ngaihak leitana chatthok-chatshil touriba MLA sing quarantine toupham thoke khanbra?

Yes 97% No 03%

ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৪.২১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.২ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.০৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- মতৈ মনাউ খৎনরিসি অমুক্তা খামদোকউচো চৎলু, নুপী...!
- ꯃꯇꯩ ꯃꯅꯥꯎ ꯈꯠꯅꯔꯤꯁꯤ ꯑꯃꯨꯛꯇ ꯈꯥꯝꯗꯣꯛꯎꯆꯣ ꯆꯠꯂꯨ, ꯅꯨꯄꯤ...!



- খাম্লুরগা ঐ ওইনা অরানবা তাহৌনি তল্লি...!
- ꯈꯥꯝꯂꯨꯔꯒ ꯑꯩ ꯑꯣꯏꯅ ꯑꯔꯥꯟꯕ ꯇꯥꯍꯧꯅꯤ ꯇꯜꯂꯤ...!

এন পি পি, বি জে পিগী এম এল এ খরনা লুচিংবা শিন্নবা হোৎনবদা কোংগ্রেস চেন্নহল্লম্বনি : জয়কিষন

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা মানবা মওং কয়া থোকখিবদু এন পি পিগী এম এল এ খরগা বি জে পিগী এম এল এ খরগনা লৈঙাক্কী লুচিংবা শিন্নবা হোৎনবদা কোংগ্রেসপু চেন্নহল্লম্বনি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী ৱানরিঙৈ মরক্তা পোলিটিকেলগী ঈরাং থোকপসি নুংঙাইতে হায়না ৱাফম কয়া থম্নবা য়াওই। মসি অচুম্বা অমনি। ঈরাং অসি কোংগ্রেসনা থোকহনবা নত্তে। লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মখোয় মশেলগী মরক্তা লুচিংবা শীন্নবা হোৎনরকপদা এম এল এ খরনা কোংগ্রেসতা হন্না হন্না লাক্তুনা হায়রকখিবনি। লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মনুংদা শৌগৎপা তোক্লখিবনচিংবা কয়া য়াওরকপা অমদি কোংগ্রেসতা এম এল এ খরনা তৎতনা লাক্তুনা হায়রকখিবা কয়া অদুদগী অসিগুন্বা মওং অমদা লাকখি।

এন পি পিগী এম এল এ খরনসু লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবগী মথক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে। লৈঙাক অসিদা চৎমিন্নরবদি এন পি পিগী ফীভম শোক্লগনি। মথংগী মীখলদসু ফীভম লুরগনি হায়দুনা এন পি পিগী এম এল এ কয়ানা হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক শৌগৎপা তোক্লগা থোকচরকখিবনি। চয়োল ১ ফাওবা ইন্টিগ্রিটি লৈতবা ফীভম অমদা চৎখি। তুমীন্না লৈজবা কোংগ্রেসতা চরাংনবা থোকহল্লম্লে। বি জে পিগী এম এল এ অমনসু হেল্থ মিনিষ্টর অসি কোকফাই কাবা মাস্ক সপ্লায় তৌবগা মরী লৈননা থিগৎলুবদগী চেনখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা লৈরবনি। অসিগুন্বা ৱাফম কয়া লাক্লিবসিনা তাকপদি ফৎতবা থবক তৌরম্মী হায়বনি।

পোলিটিকেলগী চরাংনবা খরা থোকখিবদু এন পি পি অমদি বি জে পিগী এম এল এ খরনা লৈঙাক্কী লুচিংবা শীনবা পান্বদগী থোকখিবনি। কোংগ্রেসনা থোকহনবা নত্তে। কোংগ্রেসতা এম এল এ কয়ানা লাক্তুনা হায়খিবা ৱাফম কয়া অমসু লৈরি। ঈরাং অসিদা কোংগ্রেসতা চেন্নহল্লম্বনি। এন পি পিগী এম এল এ খরনা লৈঙাক পায়মিন্নরিবা মনুংদা নুংঙাইতবা অমদি লুচিংবগী মথক্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়া অদু মীয়াম্না তানখ্রবনি। মখোয়না কোংগ্রেসতা চঙলকপা মতমদসু বি জে পিগা চৎমিন্নরবদি মথংগী মীখলদা ভোট মায় পাকপা ঙম্লরোই। অদুনা ৱিদ্রো তৌবনি হায়বা ৱাফম কয়া থল্লম্বা লৈরিবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল দ্রগ দে নুমীৎতা স্পেসল কোর্ট এন দি পি এসনা এক্যুজ ১ ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): ঙসি পীল্লকবা ষ্টেট অসি য়াওনা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা 'ইন্টরনেসনল দে এগেনষ্ট দ্রগ এব্যুজ এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং' নুমীৎকী থৌরমশিং পাক-শন্না পাঙথোক্লবা নুমীৎতা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা লেপ্লিবা মীয়ামদা তম্বা খুদোল ওইনা মণিপুরগী স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) কী জজ অরিবম নৌতুনেশ্বরীনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা এক্যুজ অমা ফাদোক পীখ্রে।

স্পেসল কোর্ট (নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস), লম্ফেলনা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখ্রবা এক্যুজ অদুগী মমিং লালথাং লৌভুম (৪৮) কৌই। মোটবুং কৈথেলদগী লৈখিদ্রবা থাংখোলুন লৌভুমগী মচানুপানি।

পূন্না লামায় ২২ পানবা ঙসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা হায়বদা মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী নার্কোটিক সেলগী সব-ইন্সপেক্টর এন সুরেশনা লুচিংবা টিম অমনা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ১৯গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

হেটরো হেল্থ ক্যেরনা লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা কোভিদ-১৯গী হীদাক ফংহন্নবা থৌরাং তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ (এজেন্সী) : হেটরো হেল্থ ক্যেরনা লৈবাক্কী মফম শিনবা থুংনা এন্টি ভাইরেল দ্রগ 'কোভিফোর' ভাইল ২০,০০০ ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ভাইল অমগী মমল লুপা ২,৪০০ ওইগদবা হীদাক অসিগী ভাইল ২০,০০০ হায়দরবাদ, দিল্লি, গুজরাত, তামিল নাদু, মুম্বাই অমসুং মহারাষ্ট্রগী মফম কয়াদা ফংহল্লগনি হায়রি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা কোলকাটা, ইন্দোর, ভোপাল, লখনৌ, পত্না,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা মতম চানা অমসুং চাং নাইনা চেঙ পীননবা হায় কোর্টনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দেমিককী লোকদাউন মনুংদা মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না নফসা অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙশিং য়েন্থোকখ্রবসু মসিনা নফসাগী সপ্লিমেন্টরি রুলস, ২০১৭কী মতুংইন্না অঙাংশিং অমসুং মসিগী বেনিফিসরিশিংদদি ফংহন্দ্রে হায়বগা লোয়ননা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বরদগী অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা পীফম থোকপা চেঙশিং পীরমদ্রে হায়দুনা পি আই এল ১ ফাইল তৌরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৈঙাক্তা মতম চানা অমদি চাং নাইনা চেঙশিং ফংহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

মীখল মায় পাক্তবা য়াদে হায়না চথখিবা থৌওং ঈকায়নিংঙাইনি : মঙ্গিবাবু

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস) : রাজ্য সভা মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ মায় পাক্তবা য়াদে হায়না চথখিবা থৌওং ঈকায়নিংঙাইনি হায়না রাজ্য সভা মীখলদা আই এন সীগী মীরেপ ওইখিবা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা টি মঙ্গিবাবুনা হায়খি, রাজ্য সভা মীখল বি জে পিগী মীহুৎনা মায় পাকখ্রে। অদুবু চথখিবা থৌওংশিং অদুদি ঈকায়নিংঙাইনি। পাৱর শীজিন্নরগা চথবা থৌওং অদু পুৱারীদা অঙাংবা মুকনা ইদুনা লৈহৌরগদবা অমনি। মীখল হায়বসি অমনা কাখিগনি। অদুবু কাঙলোন চুম্না তৌসি হায়বনি। পাৱর লান্না শীজিন্নরগা চথখিবা থৌওং কয়া অদু ঈকায়নিংঙাইনি। থাঙ্গাগী এম এল এ ফাওবা হিয়রিং চথবা তৌদনা খুদক্তা দিসক্কালিফাই তৌখি। এম এল এ ৭কী মনুংদা চপ মান্নবা কেস লৈরগা ৩না ভোট থাদবা য়াহল্লে। খরনা দিসক্কালিফাই তৌরে।

রাজ্য সভা মীখলদা আই এন সীগী মীরেপতা ভোট পীখিবা এম এল এ ২৪বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মীখল হায়বসি দিমোক্রেসিগী প্রোসেসনি। দিমোক্রেসিদদি মীখল হায়বসি য়াম্না মরুওই। বি জে পিগী মীরেপনা রাজ্য সভা মীখল মায় পাকখ্রে। অদুবু পাৱর শীজিন্নবগী মওং অদুদি পুৱারীদা ইদুনা লৈহৌরগনি। নম্ফুগী মওং কয়া চথখিবা অদুদি পেন্দে। নম্ফুগী মফম

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম য়েংশিনখ্রে

কেস মশীং ১০৭৫ শুখ্রে, ডোক্টর ২ অমসুং নর্স ১ পোজিটিভ ওইখিবগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিয়টতা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্সকী মীফমদা মহাক্না মরী লৈনবা ওফিসল পুন্নমক খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অরৈবা পান্বে শীজিন্নগদবনি হায়না খঙহনখি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

মরোল থোকপা লাই / ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



এন পি পিদা পোর্টফোলিও পীবগী ৱাফম সেন্টরগা তানগনি, অথুবদা দিল্লি চৎলবা য়াই : সী এম

ইম্ফাল, জুন ২৬ (ঐচ এন এস): এন পি পিগী মীহুৎতা পোর্টফোলিও পীবগী ৱাফম সেন্টরগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানদুনা ফিরেপ লৌগনি। অথুবা মতমগী মনুংদা দিল্লি চৎলবা য়াই হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

নাগা নালা মথক্তা শাবা পার্কিং শঙ্গাবগী থৌরম য়াওবা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংগা উনবদা হায়খি, পোলিটিকেলগী চরাংনবা খরা লৈরম্বদু হৌজিক্তি ঈংথরে হায়না লৌবা য়ারে। এন পি পিগী এম এল এ এশিং মখা তানা লৈঙাক অসিদা সপোর্ট তৌরগনি হায়বগী চেরোল অমা গভর্ণরদসু পীশিনখ্রে। হৌজিক চরাংনবা ফীভম ঈংথনা লৈরে। এন পি পিগী এম এল এ এশিং অসিদা লৈঙাক পায়মিন্নবদা য়াওবা মতমদা পোর্টফোলিওগী ৱাফম অসিদি সেন্টরগী লুচিংবশিংগা ৱারী শানরগা লেপ্পা চঙই। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরগী লুচিংবশিং অথুবদা উননবা দিল্লিদা চৎলবা য়াই। সেন্ট্রেল লীদরশিংনসু হীরম অসিগা মরী লৈননা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খঙহঞ্জবা / NOTICE / ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ

সলাইগী বি ও দিশিংগী অপূনবা মীফম অমনা ৱারেপ খরা লৌজরি মদুদি সলাইগী মেম্বরশিং/ ষ্টেকহোল্ডরশিং/ এজেন্টশিং/ দিষ্ট্রিব্যুটরশিং/ ফার্মর মেম্বরশিংদা পব্লিক নোটিস অমা খঙহঞ্জরি।

মালেমগী ওইবা লাইচৎ অমা থোরকপনা মরম ওইদুনা ঙসিদি মণিপুরদসু য়ৌরক্তুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লে। অৱাবশিংদগী খরদা ওইরবসু কোক্লবা হায়দুনা থবক থৌরম খরা য়াথোকচরে, মখাদা পীজরি।

১) সলাইগী মেম্বরশিং/ষ্টেকহোল্ডরশিং/ এজেন্টশিং/ দিষ্ট্রিব্যুটরশিং/ ফার্মর মেম্বরশিংনা হান্নগুম্না সলাইগী মরী লৈনবা য়ুনিটশিংগা পাউ ফাওনবীদুনা তিক্লা তানবা য়াররনি।

২) অহানবগী ওইনা পঞ্জরিবা পোৎলম খরা :

- ➢ হঙ্গাম মরূ (Mustard Seeds)
- ➢ ফৌ (Paddy)
- ➢ ফদিগোম মরূ (Coriander Seeds)
- ➢ কার্দামোম
- ➢ ব্লেক পেপ্পর
- ➢ তেজপট্টা
- ➢ য়াইঙং (Turmeric)
- ➢ মোরোক অকঙবা (Dry Chili)
- ➢ কুম্মিন
- ➢ অজ্বাইন
- ➢ সিন্নামোম
- ➢ ব্লেক কার্দামোম
- ➢ ফেন্নেল
- ➢ শিং (Ginger)
- ➢ জীরা

পঞ্জরিবা পোৎলমশিং অসি মেম্বরশিং/ষ্টেকহোল্ডরশিং/ এজেন্টশিং/ দিষ্ট্রিব্যুটরশিং/ হোলসেল্লরশিং/ রিটেল আউটলেটশিং/ ফার্মর মেম্বরশিংনা সলাইগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা পাউ ফাওনবীনবা হায়জরি।

৩) সলাইগী হান্না লৈরম্বা "প্রদ্যুসর বায়রস' মীট" অসিসু অমুক মখা চথজরগনি। মথক্তা পনখিবা পোৎলমশিং অসিদা হান্না হৌজগনি।

৪) সলাইগী হান্নগী এজেন্টশিং/দিষ্ট্রিব্যুটরশিং/ হোলসেল্লরশিং/ হোকরশিং খূদিংমক হান্নগুম্না থবক হৌনবা মরী লৈনবা লাইন দিপার্টমেন্টশিংগা পাউ ফাওনবীনবা নীংশিংজরি।

৫) **সলাই লেন্দ দিভলপমেন্ট এন্দ এগ্রিকলচরেল এন্দ এলাইদ এক্টিভিটিজ কোওপরেটিভ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদ,** জুলাই ১, ২০২০দগী থবক হৌজরগনি। অদুনা হান্না লোন প্রোসেস তৌখ্রবা অমদি অনৌবা প্রোসেস তৌবীনিংবা, অমদি মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খূদিংমক সলাই লেন্দ দিভলপমেন্ট এন্দ এগ্রিকলচরেল এন্দ এলাইদ এক্টিভিটিজ কোওপরেটিভ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী লৈরিবা য়ুনিটশিংদা তানবা য়াররনি।

৬) সলাই লেন্দ দিভলপমেন্ট এন্দ এগ্রিকলচরেল এন্দ এলাইদ এক্টিভিটিজ কোওপরেটিভ ক্রেদিট সোসাইটি লিমিটেদকী প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা ফার্ম মেছিন্নরিজ/ ইক্যিপ্টমেন্টশিং পীবগী লোন প্রোসেস তৌবসু মখা চথজরনি।

৭) হায়রিবা থবক থৌরম খূদিংমক গভর্ণমেন্টকী অমদি কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনগী মখা পোন্না চথগনি।

খঙহঞ্জরিবা :
বোর্দ ওফ দিরেক্টরস
সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদ

HL-B/6236/27

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫